ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯶ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুলাই ০১, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৯৬শুবা মশীং

চাইনাগী মোবাইল এপ্লিকেসনশিং থিংজিনখিবা

লল্লোন-ইতিক্কী মরী থম্নদবনা মাঙজবা কয়া লাকপা য়াই

লদাখতা হন্দক্তা চাইনাগী লান্মীশিংগা খূৎ থোক্লবদা ইন্দিয়ন আর্মিগী কর্নেল অমা য়াওনা লান্মী ২০ শিরগা অতোপ্পা ৭০ হেন্না অশোক-অপন নংখিবগী মতাংদা লমন খুন্বগী থৌওং চত্থবা ওইনা চাইনাগা মরী লৈনবা মোবাইল এপ্লিকেসন ৫৯ থিংজিনখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (প্রোসিজর এন্দ সেফগার্দস ফোর ব্লোকিং ওফ এসেস ওফ ইনফোর্মেসন বাই পব্লিক) রুলস, ২০০৯গী মখাদা চাইনাগা মরী লৈনবা মোবাইল এপ্লিকেসন পূম্নমক থিংজিনখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা মিনিষ্ট্রিনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই ক্রোর ১৩০ রোমগী অরোন-অথুপ ঙাক-শেন্নবগী পান্দমদা মোবাইল এপ্লিকেসন ৫৯ থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি। এন্দ্রোইদ অমদি আই ও এস প্লেটফোর্মদা চাইনাগী মোবাইল এপ্লিকেসন শীজিন্নরিবা মীওই খরনা লন্নাইগী অরোন-অথুপ পূম্নমক কনাগুম্বা খরনা অরানবা মওংদা শীজিন্নরে হায়বগী ৱাকৎ লাকখ্রবা মতুংদা মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। নেসনল সিক্যুরিটি অমসুং সোভরেন্টিগা মরী লৈনবা ৱাফম ওইবনা খুদক্তা মোবাইল এপ্লিকেসন ৫৯ থিংজিল্লে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রিগী নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সকী মখাদা লৈবা ইন্দিয়ন সাইবর ক্রাইম কোওর্দিনেসন সেন্টরনা খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা এপ্লিকেসন পূম্নমক খুদক্তগী থিংজিন্নবা রেকমেন্দ তৌরকখি। লন্নাইগী অরোন-অথুপ পূম্নমক খঙদোকখিবগী মতাংদসু মীওই কয়ানা কম্প্যুটর ইম্মর্জেন্সি রেস্পোন্স টিম (সী ঈ আর টি) দা ৱাকৎলকপা লৈখি হায়রি। চাইনাগা মরী লৈনবা মোবাইল এপ্লিকেসন শীজিন্নবনা লমদম অসিদা লৈরিবা মোবাইল অমসুং ইন্টরনেট শীজিন্নবা মীওই ক্রোর কয়াগী পুন্সিদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই খনবদগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা খুদক্তা অথিংবা থমখ্রবা চাইনাগী মোবাইল এপ্লিকেসনশিং অদুগী মনুংদা টিক টোক, য়ু সী ব্রাওজর, ক্বাই, ক্লাশ ওফ কিংস, দি য়ু বেটরি সেভর, হলো, লাইকি, সী এম ব্রাওজর, ভাইরস ক্লিনর, ক্লব ফেক্টরি, ব্যুটি প্লস, ৱি চেট, য়ু সী ন্যুজ, ক্যু ক্যু মেল, ক্যু ক্যু ম্যুজিক, সেলফি সিটি, মেল মাষ্টর, মি ভিদিও কোল-জিয়াওমি, ৱি সিঙ্ক, ঈ এস ফাইল এক্সপ্লোরর, ন্যু ভিদিও ষ্টেটস, দি য়ু রেকোর্দর, দি য়ু ক্লিনর, দি য়ু ব্রাওজর, কেম স্কেনর, ক্লিন মাষ্টর - চিটাহ মোবাইল, ৱন্দর কেমেরা, ফোটো ৱন্দর, ক্যু ক্যু প্লেয়র, ৱি মীট, স্বীট সেলফি, ভি মেট, ক্যু ক্যু ইন্টরনেসনল, ক্যু ক্যু সিক্যুরিটি সেন্টর, ক্যু ক্যু লোঞ্চর, য়ু ভিদিও, ভি ফ্লাই ষ্টেটস ভিদিও, মোবাইল লিজেন্দস অমদি দি য়ু প্রাইভেসি য়াওরি।

চাইনাগী পোৎলমশিং খ্বাইদগী য়াম্না শীজিন্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি হায়বসি পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। ইন্দিয়ানসু তোঙান-তোঙানবা পোৎলম খরা চাইনাদা এক্সপোর্ট তৌরি। অদুবু ইন্দিয়ানা থাজিল্লিবা পোৎলমশিংদগী চাইনানা থাজিল্লকপা পোৎলমশিংনা শরুক তরেৎলোম হেল্লি। রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৮-১৯দা ইন্দিয়ানা দোলর বিলিয়ন ১৬.৭ লোমগী পোৎলমশিং এক্সপোর্ট তৌখিবদা চাইনানা দোলর বিলিয়ন ৭০.৩ হেন্না এক্সপোর্ট তৌরকখি। অদুম ওইনমক চাইনানা মালোমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা এক্সপোর্ট তৌরিবা পোৎলমশিংগী চাদা ২ খক ইন্দিয়াদা এক্সপোর্ট তৌরকপনি। মরম অদুনা চাইনাগী পোৎলম পূম্নমক বোইকোট তৌবদা চাইনাগী থোইনা মাঙজগদবা লৈতে খল্লি। লায়রবনা মশীং য়াম্বা ইন্দিয়াগুম্বা লৈবাক্তদি চাউনা মাঙজরকপা য়াই। খুদম অমত্তং পল্লবদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না খ্বাইদগী পাম্না শীজিন্নরিবা স্মার্ট ফোন মখল মঙাগী মনুংদা মখল মরি - জিয়াওমি, ভিভো, রিয়লমি অমসুং ওপো চাইনাগী ঙাক্তনি। ইন্দিয়ানা মথৌ তাবা ইলেক্ট্রিকেল অমদি ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎলম চাদা ৬০ রোম চাইনাদগী পুশিল্লক্লি। ওটোমোবাইলগী পোৎলম চাদা ৩০ রোমসু চাইনানা পীরক্লি। ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা বাইসাইকল অমদি শান্নপোৎ অয়াম্বসু চাইনাদগী এক্সপোর্ট তৌরকপনি। মমল হোঙনা চাইনাদগী থাজিল্লক্লিবা পোৎলমশিং ইন্দিয়ানা শাজবা তারবদি শেল হেন্না চঙগনি হায়না অখঙ-অহৈ কয়ানা মোত পীরি। পূম্নমক অসিগী মথক্তা চাইনানা য়াল্লবা শেনফম অমা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা সেক্টরদা ইনভেষ্ট তৌরক্লি। ইন্দিয়ন কাউন্সিল ওন গ্লোবেল রিলেসন্সকা মরী লৈনবা ‘গেটৱে হাওস’ না ফোঙখিবা রিপোর্ট অমনা হায়, ইন্দিয়াগী ষ্টার্ট-অপ প্রোগ্রামশিংদা চাইনানা ইনভেষ্ট তৌরক্লিবা শেনফম দোলর বিলিয়ন ৪ রোমনি। অলিবাবা গ্রুপ মথন্তনা বিগ বাস্কেটতা দোলর মিলিয়ন ২৫০, পে টি এম দোট কোমদা দোলর মিলিয়ন ৪০০, পে টি এম মোলদা দোলর মিলিয়ন ১৫০, জেমাটোদা দোলর মিলিয়ন ২০০ অমসুং স্নেপদীলদা দোলর মিলিয়ন ৭০০ থাদরক্লি। হীদাক-লাংথক শুংবদা চঙলিবা পোৎলম অয়াম্বসু চাইনাদগী অহোঙবা মমলদা লৈরিবনি। পূম্নমক অসিনা মরম ওইরগা চাইনাগী পোৎলম পূম্নমক বোইকোট তৌবা হায়বসি অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি নীংদে।

এডিটরদা থারকপা চিঠি

পোলিটিকেল সিনরিওগী দিরেক্সন

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মালেমদা দেমোক্রেসি চৎপদা মকোক ওইরিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাকসি অহোংবা নাই লোয়ননা মীয়ামগী মীহুৎশিংসিসু পিবা ফমগুম্বা নত্তে। হৌজিক সেন্টরদা বি জে পিনা লুচিংবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলায়েন্সকী অনীশুবা টর্মগী লৈঙাক লৈরি। চীংলৈপাক মণিপুরগী ওইনদি লৈঙাকসি অয়াম্বা মতমদা সেন্টরগী মমি তাগল্লি। পাখোঙ চন্নবদফাও দিল্লিদা নোং মঙলগা ছাটিন তুপ্পা লম কদায়ৱাইদনো হায়নরিবনি। ইন্দিয়াদি মীখলনা শৌ শাবা লৈঙাকনি, মীখলগী মীখল ঙাক্তনি, খরদং পঞ্জজরবদা লোক সভা, রাজ্য সভা, ষ্টেট এসেমব্লি, লেজিসলেটিভ কাউন্সিল, পঞ্চায়ট মীখলনচিংবা কয়ানি। মীখল অমা অনীখক নত্তনা অতৈদি মীয়াম্না ভোট থাদনবা ঙাক্তনি। কুমজা ২০১৭কী অঙনবদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখল পাঙথোকখি। মীখলগী ফল লাউথোরকপদা পার্টি অমত্তনা মেজোরিটি ফংখিদে। আই এন সীনা সিট ২৮ ফংখি, মশীং অহুম ৱাৎপনা লৈঙাক শেম্বা ঙমখিদে অদুবু সিট ২১ ফংবা ঙমখিবা বি জে পিনা অতোপ্পা পার্টিশিংগা লোয়ননা চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা শেমখি। হৈঙাংএ সীগী মীহুৎ নোংথোম্বম বিরেননা সী এম ওইখি। হাথু-হাথু শেমখিবা লৈঙাক্তা ঐখোয়গী মায়কৈদগী থমজখিবা ৱাফম অমা পল্লগদি চুংশিন্নবা লৈঙাক অমা লৈরবনিনা মমিং অমা থোনবসু ফৈ। য়ু এন সী (য়ুনাইটেদ নন-কোংগ্রেস) থোনবা ফৈ হায়বসিনি। নুংঙাইরিবদি, লৈঙাক শেম্বা হৌরকপদগী হৌনা এম এল এশিংগী মনাৎ ওইরিবা চোঙথোক-চোঙশিনগী পোলিটিকেল দ্রামা হৌখিবদুনি। অন্দ্রো এ সী-৭তগী আই এন সীদা চাউনা মায় পাকখিবা থৌনাওজম শ্যামকুমারবু সী এমনা মিনিষ্টর ওইহনখি। বিরেনগী চুংশিন্নবা লৈঙাকসিদা নেসনল পিপলস পার্টিগী মিনিষ্টর ৪, নাগা পিপলস ফ্রন্টকী মিনিষ্টর ১ অমসুং লোক জন শক্তি পার্টিগী মিনিষ্টর অমা য়াওখি। অমরোমদনা বি জে পিগী এম এল এ ময়াম অমা মিনিষ্টর ওইহৌদবগী নিংদোন পোম্নরি। ইংরাজি পাওরৌ ‘মোর্নিং সোজ দ দে’ হায়বদু লৈঙাকসিদা চপ চানা থোক্লে। অসুম-অসুম য়ান-য়ানবা, লোয়নবা চৎমিন্নবগী মহুত্তা বি জে পিনা এন পি পিদা থৌওই-ৱাওইদবগী থৌওং চত্থরক্লে। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা, সী এমনা এদভোকেট জেনরেল অমা হাপ্পি, এ জি হাপ্পা পুংজা খরগী মনুংদা লো মিনিষ্টর ওইরিবা এন পি পিগী লাংপোকলাকপম জয়ন্তকুমার মিনিষ্টরসিপ্তুগী রিজাইন তৌই, পংকুই কুইদে, নাকল অনী য়ানবা পুরকপদগী ফম অমুক হঞ্জিল্লি। বি জে পি লেজিসলেচরশিংদসু ক্রাইসিস য়াম্না থোকখি। ঙাইহাক লৈতনা দিল্লিদা এরোপ্লেন তোংদুনা হঙ্গৎ হন্দা চৎলি। তোয়না চৎমল্লবনিনা মীচম মীয়ামনসু মখোয়না চৎলিবসি মরন্নাই খরচতি ওইরমগদবা মান্দে হায়নবসু অদুম য়াওনৈ। চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী ক্রাইসিস অসুম অসুম হেল্লকপদগী সী এমসু মিনিষ্টর ৱারকপা ওইনা মিনিষ্টরশিংদগী পোর্টফোলিও লৌথোকপা য়াওখি।

মতমগী খোঙচৎ মীৎকুপ অমফাও লেপ্পা নাইদে। ১২শুবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা তম্বা ঙমদবা পেন্দেমিক নোভেল কোরোনাভাইরসকী মতমসিদবু পোলিটিক্সকী ৱাথোকসু অসুম-অসুম লুশিল্লক্লি। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি। হৌখিবা জুন ১৭তগী বি জে পিগী বিরেন্না লুচিংলিবা লৈঙাক্তগী এন পি পি, এ আই টি সী, ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ অমা অমসুং রুল্লিং বি জে পিগী এম এল এ অহুম লৈঙাকসিদগী তোকখি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকসিদদি এম পি, এম এল এশিংগী থৌদাংসি য়াম্না চাউখ্রে। মহৌশাগী খুদোল, ঈচাউ নৎত্রগা ঈকং থোকপদা মীয়ামগা মীহুৎশিংগা চৎমিন্নগদৌরিবনি। লৌউ-শিংউবা, লম্বী-থোং অমসুং মরু ওইবা হীরম কয়ামরুমদা তাথোক তাশিন তৌনগদৌরিবনি। এম এল এ লৈনা লৈনফাও শোত্থবা এ সী য়াওরিবনি। হৌজিক এ সী ৮ তমেংলোং, হেংলেপ, নাওরিয়া পাখঙলাকপা, কক্চীং, থাঙ্গ, কুম্বী, লমলাই অমসুং অন্দ্রোগী মীহুৎশিং হাঙলে। লৌবুক য়াম্না লৈবা, লৌউ-শিংউবনা শিনফম ওইবা অমসুং লম্বী-থোংগী ফীভম য়াম্না ফত্তবা ঙাক্তনি। করি অমুক হায়রুনি অথাপ্পা চীংগী লমদমশিংদা অরুবা অনাবা য়াওরকপদা সগাইদা হাপ্পগা পুথোরক্লিবনি। হৌজিক মীহুৎ য়াম্না হাঙলিবগী মরম্না মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকরনা দিসক্বালিফাই তৌখিবদগীনি। ঙসিদি ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি খম থেংনা চাওখৎলবনিনা চীংলৈপাক মণিপুরগী পোলিটিকেল ক্রাইসিস ইন্দিয়াদা নত্তনা অতৈ লৈবাকশিংদসু তানরে, ইখঙ খঙনরে, ইকায়নীংঙাইনি। লৈবাক্কী লুরবা তানফমসিদা তংদু লৈতাদ্রবা মীয়াম্না সী এম অমসুং স্পিকরদা মরাল থংজিনবা য়াম্না য়াওনৈ। অদুবু অনী থোকপীগী লৈবাকনিনা সী এম অমসুং স্পিকরনা তৌথোরকপদা য়াইফরে, য়াইফরে হায়নসু য়াওনৈ। হৈবোং মনুংগী তীলগুম্বা ঐখোয়না খঞ্জবগী মতুংইন্নদি সী এম নৎত্রগা স্পিকরনা কনাগুম্বা এম এল এ অমত্তদা লন্নাই নুংঙাইনদবা লৈরমগদবা মান্দে। অরোইবদা ফোঙদোকচনীংবদি লমদমসিদা নেসনল পার্টিগী লৈঙাক হেক লৈরিবমখৈদি পোলিটিকেল সিনারিওগী দিরেক্সনসি ময়োল লমদগীনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অদোমগী - এ নন্দকুমার, চনম পুখ্রি মপাল, শিংজমৈ

পোলিটিক্স অমদি মীয়াম খুন্নাই

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিঙোম্বা

ঐনা অঙাং ওইরিবঁদা পোলিটিকেল সাইন্স হায়বা সবজেক্ট অসি য়াম্না পাম্লকখি। মরমদি ঐ পিশক পিক্লিবঁদগী পোলিটিক্স হায়বসিদা পূক্নিং লুপ্পকই। পোলিটিক্স হায়বা অসি য়াম্না লুবা অমদি দেমোক্রেটিক কন্ত্রি অমদদি মসি চঙদবা য়াদবা অমনি। পোলিটিক্সনা কন্সত্রক্টিভ ওইনা অচুম্বা য়ূম্বী অমগুম্না লেঙদনা লৈরবদা হীরম খুদিংমক্তা অফবা কাঙলোন কয়া অমা থোরক্তুনা অফবা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমগনি হায়বসি অহল-লমন ওজাশিংনা তাকপীরকই। অদুনা পোলিটিক্স তৌবা হায়বা অসি য়াম্না পুকচেল চাউবা, লৈবাক্কী য়াম্না খনবা মীতানা তৌগদবনি, মসিদি অফবা লম্বী অমনি হায়না খনখি। পোলিটিক্স হায়রগা ঐখোয়না ভোট লেপ্তুনা মীহুৎ ওইবা অদুখক ওইনা লৌবদি লাল্লি। ভোট লেপত্রবসু পোলিটিক্স ফজনা তৌবা মী ময়াম অমা লৈ। মমাঙঁদা, ঐখোয়না উহৌবদা পোলিটিক্স তৌবা অহল-লমন কয়া অমা লৈরম্মী। মশা নাল্লি। ৱাখল য়াম্না খল্লি, মখোয়না ঙাঙথোরকপা ৱাহৈ ৱাতা য়াম্না নিংথিজৈ, মতৌ য়াম্না তমজনীংঙাই ওই। মখোয়গী ৱাখল, মীৎয়েং অমদি ৱাহৈদা লৈবাক মীয়াম খোনবা ঙম্বা অমদি মীৎ উইশিনবদা খুন্নাই অসিগী অফবা মরম কয়া উবা ফংই। অদুনা মখোয় অসি মী মরক্তা য়াম্না শিংথানবা অমা ওইদুনা লাকই। অদুগুম্বা অহল-লমনশিং অদু, সুম-সুম মচেঙ চারম্বদগী মরল ওইনা চাখিদুনা মমৈথংদা হিংবা শাথীনা ৱারবা অমা ওইখি। মসিগী মরু ওইবা মরমদি, মতমগী মতুংইন্না ঐখোয়না হান্না উরম্বা অমদি খল্লম্বা পোলিটিক্সকী মশক মওং অদু শাথীনা হোংলকখ্রে। অদুনা অশেংবা পোলিটিসিয়ন অমগী অশেংবা মতিক ময়াই অদু লোইনা মাঙখিবগুম্না তৌরকখিবা অসিদগী ওইগনি খল্লি। মখোয়গী পরেং অসিনা থুপখিবা মতমদা মণিপুরদা পোলিটিক্সকী মায়ওন অসি ফনা নিংথিনা হোংখ্রে।

পোলিটিক্স অমদি পোলিটিসিয়ন অমা হায়বসি লমখাংগী মখোঙ মরু লিংনা হৌরকপা নত্তনা খুজিন-খুনাম্থোক্তগী অমদি মরম খরদগী পোলিটিক্স হেক্তা ওইবা য়াব্রা? মীয়ামগী লুচিংবা অমা ওইবা হায়বসি মপুন্সিদা করিগুম্বা লৈকায়গী অমদি মীয়ামগী থবক থানা অমত্তদা মায়পুননা য়াওরক্তবা, ময়ূমগী থবক ইনখাং শূরক্তবা, অহল-লমন্না শীবা পাখোন অমত্তদা য়ারক্তবা মীনা হেক্তা লুচিংবা ওইবা য়াব্রা? লুচিংবা ওইদুনা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইগে হায়বা তারবদি করি করম্বা অথোইবা মতিক-ময়াই অমা চেনগদগে হায়বা অমা লৈব্রা? মতম অমদা পোলিটিক্সকী থৌদাং অসি লৈঙাক্কী থবক ইনখাং তৌরম্বা মশাগী চহী অহল ওইরক্তুনা থবক্তগী পোত্থারবা হায়বদি ব্রেন এক্সপ্যারি ওইরবশিংনা মরক অমা কন্না পোলিটিক্স য়াওদুনা ভোট লেপ্পা অমা তৌরম্মী। মদু অমুক হৌজিক খরা লেপখ্রে। অদুগা হৌজিক কন্না অমুক চত্থরক্লিবা অসিনা শেল পায়বা, মখূত্তা শেল জোম-জোম পুথোকপা ঙম্বা, মপা-মপুনা কৈরাক থারকপা অমা। নৎত্রগনা তোঙান-তোঙানবা বিজিনেস তৌরুবা অমদি কন্ত্রেক্টর ওইদুনা শেল য়াম্না পায়রবা কাঙবুশিংনা পোলিটিক্সতা মায় ওনশিল্লকপা অসিনি। মরমদি মীয়ামগী থবক তৌদুনতা লাকপা, লৈবাক্কী ঈহৌদা মীয়ামগী খোল্লাউদা মাঙজিন থাদুনা চেঞ্জরকপা অতৈ অতোপ্পা থবক ইনখাং অমত্তা তৌদনা ময়ামগীদমক লৈরল্লুবা অমতনা লুচিংবা ওইনবা থোরকপা ঙমদে। মরমদি মখোয় শেল অমত্তা পায়দে। হৌজিক্তি শেল য়াওদনা ভোট লেপ্পা য়াদে। শেল হায়সি অঙাংগী শেল নত্তে। য়াম্না, অদুসু য়াম্না, য়াম্না হেক পায়দ্রবা অদু ওইবা তারবদি ভোট লেপ্পদা ফনা য়াম্না ফরসু মায় পাকপা ঙমদে। নাকল অমরোমদা অমুক মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা হায়বসি মখোয় মখোয়গী অহল-লমনশিংনা থুপখ্রবা মতুংদা খুদুং ইনবা ওইনা অমুক চোঙথোরকপা অসিনি। মখোয় থোরক্লিবশিং অদুগী মনুংদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবদা অমদি ওইনবা মশা ইক্লকপা মতমদা য়াওবদি নত্তে। অদুবু মখোয়গী মহুৎ শীন্নবা মীদি লৈতে, মরমদি মথক্তা পনখ্রিবা শেলগী ৱাফম অসিনা মী খুদিংমক মায়কৈ অসোমদা চঙলকপদা শম্বল খাবদৌনা তৌরি।

হৌজিক মণিপুরদা পোলিটিক্সকী ফীভম অসিসু য়াম্না নুংঙাইবা অমদা লৈরি। হৌখিবা মমাঙগী মীখলদা নহা কয়া অমা মীহুৎ ওইনা থোরকখি। য়াম্না নুংঙাই, নহা ওইবশিং অসিনা অনৌবা মখলগী অনৌবা লৈঙাক অমদি মীয়ামগী তুংলমচৎকী অফবা কাঙলোন অমা শেম্লক্কনি হায়না থাজনৈ। মখোয়সু মদুগী ৱাফম অদুগা লোয়ননা লাকখিবনি। মথংদসু অনৌবা কাঙবু খরসু থোরকখিবা য়াই। অরিবশিং অসিনা ময়াই চম্লক্লুবদি শোয়দনা অনৌবা খরা ময়োল চোংলকখিগনি। নুংঙাইরিবদি অরিবা অমদি অনৌবা অনী অসিনা য়ানশিন্নরকপা মতমদা অনৌবসু অরিবগী মচু চুদুনা লৈবা, অরিবনা অনৌবগী মচু অমত্তা চুবা ঙমদবা, অরিবশিং অসিনা খূৎপাই চেৎনা পায়শিনবা অদুম উবা ফংই। মসিসু কায়দে, তৌবতবু অহোংবা খরা লাক্কদরা হায়বা অদুদি থোইদোক্লা অহোংবা উদে, মমাঙ মমাঙদা লৈখিবা অদুগা চপ মান্নে হায়বা তাই। অহল মথীনা চফু মেন্নে হায়বা অদোমদগী থোইদোক্লা হোংবা নত্তে। নহা মথীনা রোকেট শাই হায়নবদু করম্বা মতমদা শাদৌরিনো হায়বা হৌজিকসু হায়বা ঙমদ্রি। নহা খুদিংমক হকাম চন্নদুনা লৈরি।

হৌরক্লিবা নহা অমনা ‘পোলিটিসিয়ন অমা ওইজগে, করি-করি মগুন চেনগদগে, করি করি তৌগদগে’ হায়না হংবা তারবদি মঙোন্দা সজেসন পীগদৌরিবসি করি-করি ওইগনি। লাইরিক্তা য়াওবা অমদি মমাঙঙৈগী এক্সপরিয়েন্সতা হায়রুরবদি হৌজিক্কী মতম অসিগা চুশিন্নররোই। অদুনা মঙোন্দা অহানবদা হায়বা য়াবসি, ঙম্মীখৈ শেল হান্না পায়নবা হোৎনখো, শেল পায়নবা মখল কয়াগী পাম্বে থিয়ু, ওইদবা ঙাঙবা তম্মু, নচিন থীবা হৈয়ু, নশাগী ওইজবা য়েংলগা তিন্নবা মরুপ-মপাং হান্না হাৎপা তম্মু হায়না হায়বা তাব্রা? মীয়ামগী অশেংবা মীহুৎ ওইগদবা মী থিবা খঙদবগীরা নৎত্রগা থোরক্তবগীরা, অশেংবা লুচিংবা হায়বদু হৌজিক কনা অমত্তনা উবা ফংনদ্রে। হৌজিক্কী মতমসিদি মীয়াম্বু নীংথিনা লমজিংবা ঙমগদবা, লৈবাক্কীদমক কত্থোকপা ঙম্বা মশাগী প্রিন্সিপল লৈবা মীশক খরা তোমথীন ওইনা থোরকপা মথৌ তাই। অদুগা মীয়াম্নসু কনাবু লুচিংবা ওইনা খনগদগে হায়বা অসি য়াম্না মুন্না খন্নবা ফৈ। মীখলগী মতমদা পীরকপা শেনফম খরা পায়রগা ভোট থাদবদুনা অশেংবা লুচিংবা পুথোকপা ঙমদ্রবদি করম্না মীয়ামগী, লৈবাক্কী খনবা লুচিংবা পুথোক্কদগে হায়বসি মুন্না খন্নবা অমগী মথৌ তারে। ●

বেক্টেরিওফেজনা কোভিদ-১৯না শিবগী চাং হন্থহনবদা মতেং পাংবা য়াই

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

মারথা আর জে ক্লোকি

কোরোনাভাইরস পেন্দেমিক্কা মালেমগী মীওই ১,০২,৬৭,৬৭২ নাহনখিবগী মনুংদা মীওই ৫,০৪,৭৭৯ শিহনখ্রে অদুগা ফখিবা মীগী মশীংনা ৫৫,৬৮,৮১০ (ৱর্ল্ডোমিটরস.ইনফো, জুন ২৯ ফাওবদা) অদুগা ইন্দিয়াগী ওইনা ৫,৪৯,৯৮৬না নাহনখিবগী মনুংদা ১৬,৫০৪ শিহনখ্রে অদুগা ৩,২২,১৬১না ফখ্রে (কোভিদ১৯ইন্দিয়া.ওর্গ, জুন ২৯ ফাওবদা)। সর্স-কোভ-২ হায়না খঙনবা কোভিদ ১৯ থোকহল্লিবা ভাইরস অসিনা মীওইবগী হকশেলদা অচৌবা চৈথেং পীবদা নত্তনা, ইকোনোমিগী ফীভমসু শাথীনা শোকহল্লে। ভাইরস অসিদগী ঙাকথোক্লবা চপ চাবা হীদাক লৈত্রি অদুগা ভেক্সিনসু পুথোক্ত্রি; অদুবু হীদাক খরগা ভেক্সিন খরগদি ক্লিনিকেল ত্রাইএল চত্থরি। চৈরকসিদা কোভিদ-১৯না শিহনবগী চাং হন্থবা য়াই হায়না থাজরিবা, বেক্টেরিয়াদা চাক্তাবা ভাইরসশিং পুথোকপা য়ারগনি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ বরমিংহামগী থিজিন লূপ অমনা ফোঙদোরক্লি (ফেজ জর্নেল)।

কোভিদ-১৯না নারবা মী অমবু শিহনবগী হকথেংনদবা মরম অমদি পোকপদা য়াওরল্লবা অমসুং তাইবঙপান্দা হিংলকপদগী ফংলকপা ইম্ম্যুনোলোজিকেল সিষ্টমশিংগী মরক্তা মিসকম্যুনিকেসন লৈবদগী থোকপা ওইরম্বা য়াই হায়রি। অনৌবা মহিক অমা হকচাং মনুংদা চঙলকপা মতমদা, ফংলকপা ইম্ম্যুন্না পীরকপা পাউখুমসি পোকপদা য়াওরকপা ইম্ম্যুন্না পীরকপা পাউখুমদগী তপ্না য়াম্না হেল্লি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি ফংলকপা ইম্ম্যুন্না মথৌ তৌবা হৌদ্রিঙঁদা, পোকপদা য়াওরল্লবা ইম্ম্যুন্না লাম্থেংনবগী মতম অমা লৈ; মতমসিদা পোকপদগী য়াওরল্লবা ইম্ম্যুন্না য়াল্লবা ভাইরসকী লোদ অদুদা শাওনা পাউখুম পীরকই। অসুম্না পীরকপা পাউখুমসি অয়াম্বা মতমদা শাওনা পীরকই, অদুনা অতোপ্পা সিষ্টমশিংদা অমাঙ-অতা থোকহনবা য়াই। সর্স-কোভ-২ ভাইরসশিংনা মী অমবু নাহল্লকপা মতমদা, পোকপদা য়াওরল্লবা ইম্ম্যুন সিষ্টমনা শাওনা পাউখুম পীরক্তুনা ইনফ্লেমেটরি মেটরিএলবু থবোম্বীদা থাদোরকই। মরম অসিনা, মেটরিএল অদুনা থবোম্বীবু ফুঞ্জিনহন্দুনা গ্যাস থাদোক-থাজিন তৌবদা অপনবা পী। অসুম্না অনাবা মীদু শিবা য়াই।

করিগুম্বা লায়না অমা নারিবঁদা অতোপ্পা মহিক অমা (ওপোরচুনিষ্ট) চঙলক্তুনা নারকপা হায়বসি খুদোংথিনীংঙাইনি। খুদম ওইনা, টি বিগী বেক্টেরিয়াসি এইদস লায়নাগী ওপোরচুনিষ্ট অমনি। কোভিদ-১৯না নারিবঁদা বেক্টেরিয়া অমা চঙলক্তুনা মীদুদা নারকপা হায়বসি য়াম্না খুদোংথিনীংঙাইনি। তোঙান-তোঙানবা পাউদমশিংগী মতুংইন্না, কোভিদ-১৯না নাবদগী লায়েংশঙদা মিং চল্লরবা অনাবশিংগী চাদা ৫০দি বেক্টেরিয়া নৎত্রগা ফঞ্জাইগুম্বা সেকেন্দরি ইনফেক্সনশিং তৌরম্বা থেংনৈ হায়রি। অদুনা কোভিদ-১৯গী অনাবা অমদা চঙলকপা বেক্টেরিয়া খুদিংমকপু মাঙহনবা ঙম্বা পাম্বে অমনা কোভিদ-১৯না শিহনবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি হায়রি। অদুনা বেক্টেরিয়াদা চাক্তাবা অদুবু মীওইবগী হকচাংদদি অকায়বা পীদবা ভাইরস মখল অমনা মতাংসিদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি। বেক্টেরিওফেজ (বেক্টেরিওফেজ নৎত্রগা ফেজ হায়বসি বেক্টেরিয়াবু চাথোকপা হায়বনি, মসি গ্রেট বৃটেনগী ফ্রেদরিক দব্লিয়ু ত্বোর্ট (১৯১৫) অমসুং ফ্রান্সকী ফেলিক্স দি’হেরেল (১৯১৭) না অমনা অমদগী মতৌ তমদনা পুথোক্লখিবা) হায়না খঙনবা, ভাইরসশিং অসিনা বেক্টেরিয়াশিংবু এন্টিবাইওটিকশিং শীজিন্নদুনা হাৎপগী মহুত্তা, থিজিন লূপ অসিনা ওইথোকপা য়াবা লাল্লোং অনীখক পীরি।

অহানবা লাল্লোংদা, বেক্টেরিওফেজশিংনা অনাবদুগী শ্বর হোনবগী সিষ্টমদা লৈরিবা সেকেন্দরি বেক্টেরিএল ইনফেক্সনশিংদা লান্দাশিনবা অসিনি। মসিগী কাঙলোন অসি কুমজা ১৯২০ অদুৱাইদগী রসিয়া অমসুং জর্জিয়াদা শীজিন্নরক্লি, অদুবু নোংচুপলোমগী লমশিংদদি এন্টিবাইওটিকশিং থোরকপদগী শীজিন্নখিদ্রে। অসিগুম্বা সেকেন্দরি ইনফেক্সনশিংসিনা মরু ওইনা অহল ওইরবশিংবু হেন্না শিহনবগী মরম অমা ওইরিবনি। লায়েং পথাপ অসিগী পান্দমদি বেক্টেরিওফেজশিংনা বেক্টেরিয়াশিংগী মশীং হন্থহন্দুনা শন্দোরকপা থিংলিঙঁ চৈরক্তুদা, ইম্ম্যুন সিষ্টম্না সর্স-কোভ-২ থেংননবা এন্টিবোদিশিং পুথোকপগী অহেনবা মতম ফংহনবনি। য়ুনিভর্সিটি ওফ বিরমিংহামগী স্কুল ওফ বাইওসাইন্সেসকী মেরি-ক্যুরি রিছর্চ ফেলো অদুগা হৌজিক্লা কেন্সর রেজিষ্ট্রি ওফ নোরৱেগী থিজিনমী ওইরিবা ডো. মারসিন ৱোজে ৱোদজিকনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, লায়েং পথাপসি ষ্টেন্দর্দ এন্টিবাইওটিক থেরাপিশিংদগী তোপ-তোপ্পা লায়েং অমা ওইরগনি।

লায়েং কাঙলোন্দা থেংনবা খ্বাইদগী খুদোংচাদবা অমদি বেক্টেরিয়াশিংনা এন্টিবাইওটিকশিংদা রেসিষ্টেন্ট ওইরকপা (বেক্টেরিয়াদুবু হাৎপা ঙম্লক্তবা) অসিনি। থিজিন লূপ অসিনা লেপচবগী মতুংইন্না, কোভিদ-১৯না নারবা অনাবশিংগী ৭০%দা সেকেন্দরি ইনফেক্সনশিং থেংননবগীদমক এন্টিবাইওটিকশিং পী। অসুম্না এন্টিবাইওটিকশিং শীজিন্নবা হেনগৎলকপা অসিনা বেক্টেরিয়াশিংদা রেসিষ্টেন্স ওইরকপা য়াবগী চাং হেনগৎহল্লি, অদুগা এন্টিবাইওটিকশিংদুগী কান্নবা অসুম অসুম হন্থরকই। অদুবু অনৌবা লায়েং কাঙলোনসিনা ষ্টেন্দর্দ এন্টিবাইওটিক থেরাপিশিংদগী তোপ-তোপ্পা লাল্লোং অমা ওইবদা নত্তনা, হেন্না মরু ওইরিবদি, এন্টিবাইওটিক রেসিষ্টেন্ট ওইরবা বেক্টেরিয়াশিংবুসু মাঙহনবা ঙম্লগনি হায়না অরক্তিক য়ুনিভর্সিটি ওফ নোরৱেগী কম্প্যুটেস্নেল ফারমাকোলোজিগী এক্সপার্ট ডো. অন্টল মারটিনেকজনা ফোঙদোক্লি।

অনীশুবা লাল্লোংদা, থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লিবদি খূৎশেমগী পাম্বৈনা শেমদোক্লবা বেক্টেরিওফেজশিং শীজিন্নরগা সর্স-কোভ-২ ভাইরসকী মায়োক্তা এন্টিবোদিশিং শেমগৎলবা মতুংদা, এন্টিবোদিশিংদু অনাবশিংগী নাতোন নৎত্রগা খাদা স্প্রেয়রগী মতেংনা কাপশিনবা য়াগনি হায়বসিনি। হৌজিক্কী লৈরিবা টেক্নোলোজিশিংগী মতেংনা বেক্টেরিওফেজশিংনা এন্টিবোদিশিংবু য়াম্না থুনা অমদি শেল ইচঙ চঙহন্দনা শুংবা য়াগনি। করিগুম্বা মসিগী লাল্লোংসিনা মায় পাক্লবদি, অনাবা অমনা সর্স-কোভ-২গী মায়োক্তা অখন্নবা এন্টিবোদিশিং শেমগৎচনবগী মতম ফংগনি অদুগা ইম্ম্যুনোলোজিগী হেঞ্জিনবা রিএক্সনশিংনা থোকহনবা অমাঙ-অতাগী চাংসু হন্থহনবা ঙমগনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ লৈষ্টরগী প্রোফেসর ওফ মাইক্রোবাইওলোজিগী প্রোফেসর মারথা আর জে ক্লোকিনা থিজিনখিবা অদু বেক্টেরিয়াশিংবু হাৎপা ঙম্বা বেক্টেরিওফেজশিংবু মশক খঙদোকপা অমসুং শেমগৎপদা মীৎয়েং থমখি। ফেজশিংগী হৌজিক লৈরিবা লৌশিং-গ্যান অসিবু শীজিন্নদুনা কোভিদ-১৯দা লান্দাশিনবা ঙম্বা অফবা অমসুং শেল চঙদবা এন্টিবোদিশিং এঞ্জিনিয়রিংগী মতেংনা শেমগৎপা ঙমগনি হায়না মহাক্লা হায়রি। মখোয়গী থিজিনবা অসিনা মরুপ ওইবা ভাইরসশিংবু শীজিন্নরগা কোভিদ-১৯ লায়েংবদা মতেং ওইরগনি। ডো. ৱোজে ৱোদজিকনা মখোয়গী লাল্লোং অনীসি ক্লিনিকেল ত্রাইএল চত্থনবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লি। ঐখোয়দা হু ওইরিবা পোত্তুনা হুদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী (খুদম ওইনা লীনগী হুনা এন্টিভেনম শাই); ঐখোয়বু হাৎপা ঙম্বদুনা ঐখোয়বুসু কনবা ঙম্মী (ভেক্সিন্দা অহিংবা মহিকশিং য়াওবা য়াই) হায়বসি মহৌশাগী ফজরবা মচৎ অমনি। অদুনা মরুপ ওইবা ভাইরসশিংনা য়েক্লবা ওইরিবা ভাইরসশিংবু হাৎনবা খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা য়াই। অসিগুম্বা লাল্লোং অনীসিনা মায় পাক্লবদি কোভিদ-১৯না মীবু শিহনবগী চাংসি হেন্না নেম্লগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুবু হৌজিকমক্কী ওইনদি ক্লিনিকেল ত্রাইএল চত্থদ্রিবনিনা লাল্লোং অনীসিগী মরাইবকসি করি ওইরক্কদগে হায়বদু য়েংখিবা তারি। ●



বেক্তেরিয়াদা বেক্তেরিওফেজনা চংলকপগী শক্তম

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।